# ৬৩ শুবা সী সী মীট : ক্লাসিক এফ এ অমসুং এফ ৪ সী মায় পাকখ্রে, এইম অমসুং অমোফা পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস): মীয়াম্না সী সী মীট হায়রগা হেন্না খঙনরিবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ অমদি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টিদিয়মদা শান্নখিবা ৬৩ শুবা সার চুরচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিয়ল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচশিংদা ক্লাসিক এফ এ চীংমৈরোং অমসুং এফ ৪ সী সাইকুল মায় পাকখ্রে। অদুগা এইম খাবম অমসুং অমোফা মোইরাংনা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা এইম খাবম অমসুং অমোফা মোইরাং টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ ফাওবদা নাকল অনীমক্ক ামান্নবা মওংদা শান্নখি। মেটচ অসিগী ৩০ শুবা মিনিটতা এইমগী এন মাইকেলনা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। এইমনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা অমোফাগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনদুনা শান্নখি। মেটচ অসিগী ৪৪ শুবা মিনিটতা অমোফাগী ঐচ জে ানসননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১ দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা টিম অনীমক্না বোল পায়বগী চাং মান্নখি। অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। মসিনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী অরোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা মখা তানা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫২ শুবা মেটচ নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদা দি এম রাউ অৱাং সেকমাই অমসুং ক্লাসিক এফ এ চীংমৈরোং টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা ক্লাসিক এফ এনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী ৩৭ শুবা মিনিটতা ক্লাসিক এফ এগী ঐচ তোম্বনা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু ক্লাসিক এফ এনা কা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা হেন্না ফংখি। দি এম রাউগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরবসু বোল পায়বগী চাং ৱাৎখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং লৌবা ঙমখিদে। অমরোমদা মেটচ অসিগী ৭১ শুবা মিনিটতা ক্লাসিক এফ এগী ৱাই রোহিটনা মেটচ অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ৭৬ শুবা মিনিটতা ক্লাসিক এফ এগী শান্নরোয়শিংনা পুখৎলকখিবা বোল অমা বোক্স মনুংদা থিংনবা হোৎনবদা শোয়বদগী দিএম রাউগী ৱাইলানঙম্বনা মশাগী মায়কৈদগা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ক্লাসিক এফ এনা পাঞ্জল ৩-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মেটচ অসিগী অরোইবা এক্সট্রা টাইম শান্নখিবা অদুদা ক্লাসিক এফ এগী রোহিতনা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখি। অদুবু দি এম রাউগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ক্লাসিক এফ এনা য়াম্না লাইনা পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৩ শুবা মেটচ নুংথিল পুং ২.১৫ তাবদা ৱাই পি এচ য়ু ললাম্বুং মখোঙ অমসুং এফ ৪ সী সাইকুল টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা নাকল অনীনা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। অদুবু মেটচ অসিগী ২৮ শুবা মিনিটতা ৱাই পি ঐচয়ুগী এম মিনসনানা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ ৪ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ৱাই পি ঐচ য়ুনা ১-০দা মাঙজিল থানা লৈবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুদা এফ ৪ সীনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী ৫৫ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী ঙুলগৌলালনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিগী এক্সট্রা টাইম শান্নখিবদা এফ ৪ সীনা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখি। অদুবু ৱাই পি ঐচ য়ুগী ওইনদি পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু এপ ৪ সীনা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

# আই এস এল : বেঙ্গলুরু এফ সীনা ওরিষ্য এফ সীবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে






পনাজি, ফেব্রুৱারী ২১ (এজেন্সি): গোৱাদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা বেঙ্গলুরু এফ সীনা ওরিষ্য এফ সীবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদগী এঠলেটিক ষ্টিদিয়ম বম্বোলিনদা লীগ অসিগী ৯৭ শুবা মেটচ ওইনা বেঙ্গলুরু এফসী অমসুং ওরিষ্য এফ সীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী শান্নবা হৌগৎলকপদা ওরিষ্য এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী ৮ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী নন্দা কুমারনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। ওরিষ্য এফ সীনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবগীদমক বেঙ্গলুরু এফসীগী টিমনা অকনবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। টিম অনীনা বোল পায়বগী চাংসু মান্নখি। মেটচ অসিগী ৩১ শুবা মিনিটতা বেঙ্গলুরু এফসীগী টিমনা খোঙলৈথুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী দানিস ফরুক ভটনা পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী পাঞ্জল ১-১ দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুসু টিম অনীমক্না বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নখিবা অদুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি। নাকল অনীমক্কী প্লেয়রশিংগী হৈ শিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা কনানা থোইগদগে হায়বা ঙম্নখিদে। অদুবু মেটচ অসিগী ৪৯ শুবা মিনিটতা বেঙ্গলুরু এফ সীনা থুনা য়াঙনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওস্থোক্নবা হোৎনবদা ওরিষ্য এফ সীনা বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবদগী বেঙ্গলুরু এফ সীনা পেনালটি কাউনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। পোনলটি অদু টিম অসিগী ক্লৈটন সিলভানা হৈনা শিংনা কাউদুনা পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমখি। অদুবু মেটচ অসিগী অরোইবা ফাওবদা ওরিষ্য এফ সীনা মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু বেঙ্গলুরু এফ সীনা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

# সীরটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট : প্রি ভেটরানগীদা লিৱা চংনিং অমসুং নুপীগীদা লিৱা সারৈনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস): সীরটি ওলিম্পিক এসোসিএসননা শিন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিৱা সারৈ গ্রাউন্দদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা ১৪ শুবা সীরটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেটচতা লিৱা সারৈ মায় পাকখ্রে অদুগা প্রি ভেটরানগী ফাইনেল মেটচতনা লিৱা চংনিং মায় পাকখ্রে। ভেটরানগী ওইনা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা মোনসাং পন্থানা লিৱা সারৈবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

নুপীগী ফাইনেল মেটচতা ঙসি লিৱা সারৈ অমসুং চংনি টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী ওইনা লিৱা সারৈনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অসিগী ১৪ শুবা মিনিটতা টিম অসিনা মায়োক্নরিবা লম্বা চংনিগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা পুশিল্লকখিবা বোল অমদা থিংনবা হোৎনবদা শোয়বদগী চংনিগী দল্লিয়ু মেরিলিননা মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিনখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লিৱা সারৈনা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু লিৱা সারৈনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী ৫৯ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী দল্লিয়ু গ্রেসমীনা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখিবগা লোয়ননা ৱিন্নরগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

প্রি ভেটরানগী ওইনা জাফৌ অমসুং লিৱা চংনিং টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা নাকল অনীমক্না য়াম্না চাং মান্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীপা পাঞ্জল ১/১ চন্নবা ঙমদুনা চপ মান্নবা মওংদা লৈখি। পাঞ্জলশিং অসি লিৱা চংনিংগী ওইনা মেটচকী ৯ শুবা মিনিটতা কোম্থাং ঙোরুনা অদুগা জাফৌগীনা মেটচ অসিগী ১৯ শুবা মিনিটতা কে লোর্দসননা চনখিবনি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদসু নাকল অনীনা বোল পায়বগী চাং মান্নখি। অদুবু মেটচ অসিগী ৫৩ শুবা মিনিটতা লিৱা চংনিংগী কোম্থাং ঙোরুনা অমুক হন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু লিৱা চংনিংনা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখিবগা লোইননা ৱিন্নর ওইখি।

অমরোমদা ভেটরানগী ওইনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ লিৱা সারৈ অমসুং মোনসাং পন্থা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা মোনসাং পন্থানা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগ ৮ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী টি এস বেনিদিক্টনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মেটচ অসিগী অরোইবা ফাওবদা মোনসাং পন্থানা পুন্না পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি অদুবু লিৱা সারৈগী ওইনা পাঞ্জল ১ দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু মোনসাং পন্থানা পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

# মেনেজরশিংগী মীটিং থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা চথরিবা ৬৩ শুবা সার চুরচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিয়ল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফরইনেলিষ্ট টিমশিংগী মেনেজরশিংগী ওইবা মীটিং অমা থা অসিগী ২৪ গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীটিং অসিদা মেনেজর খুদিংমক্না মতম চানা লাক্কুনা শরুক য়ানবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা অতোপ্পা চেরোল অমনা হায়, হয়েং লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা সী সী মীটকী মেটচশিং অদু থা অসিগী ২৩ দা হান্নগী মফম অমসুং মতমদা ওইনা শান্নরগনি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী নোক আউট ষ্টেজকী মহুত্তা ক্বার্টর ফাইনেল ষ্টেজ ওইনা মথং থাগী ৭ তগী হৌরগা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নরগনি অমদি মসিগী ফিকচর অথুবা মতমদা থোরক্লগনি হায়না মখা তারি।

MACLEODS

Macleods, one of India's fastest growing Pharmaceutical company and ranked within the top 10 companies, having a leadership position in the market in various therapy areas, requires.
Candidates for the launch of a new division.
The division would comprise of top selling products in
- Antibiotics
- Paediatric &
- Gynaecological range

MEDICAL REPRESENTATIVES

Agartala, Aizwal, Barpeta, Dhubri, Dibrugarh, Dimapur, Guwahati, Imphal, Jorhat, Nagaon, Nalbari, North Lakhimpur, Shillong, Silchar, Tezpur, Tinsukia

Preference will be given to fresh graduates with fluency in spoken English and a willingness to travel frequently for generating prescription sales by promoting the company brands to Medical fraternity..
Candidates with previous work experience of 1-2 years as Medical Representative (age below 28 years) can also apply.

AREA SALES MANAGER

Candidates with 4-5 years experience as Medical Representative in a system driven, reputed Pharma Company, with a good track record of performance, analytical skills and comprehensive geographical knowledge of the territory can apply. Previous work experience as 1st line Manager would be preferred. The position offers good remuneration in the form of fixed salaries, daily /travel allowances, performance linked incentives and other benefits viz.bonus/gratuity.

Interested candidates may apply within 5 working days at https://macleods.in/jobs

Macleods Pharmaceuticals Ltd.
Atlanta Arcade, Marol Church Rd, Andheri (East), Mumbai-400059.
https://www.macleodspharma.com

HL-B/7479/22

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২। ০২। ২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা;
ফাইরেনগী ২১নি পানবা।

**মেষ:** লম্ খুদিংদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। চিংনবা থাদোকউ-শেন্দোং তানবদা খূৎচাও থাবা য়াগনি, ইচং থৌবনা শেল-থুমগী লম্দা মায় পাকচবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** ঙসিসু লাইবক ফবা, অফবা মফম কনবগী নুংঙাইবা, নীংবদুমক পাঙবা য়াবা নুমিৎনি। হেন্না য়াইফবা ওইনবা খোইরাংবা ফাথবা অমদি ৱাফংনদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন:** অয়াম্বা লম্দা মীনা থাগৎনফমনি, লৌশিং ফৃদোকপা ঙমগনি অদুনা ৱাখল তামিন্নবসু ঙমগনি। অফবা মরুপ-মপাংগী মতেংনা ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবা পাল্লনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** মীচং খোম্বা, লম চৎপা, মহু-চাওবগী লম্দা থাজদনা ওইজবা ফংজগনি অমদি কিরম্বা কোকচগনি। অখঙ-অহৈগী ৱা থওইরুদবনা মাঙজবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

**সিংহ:** মীচং য়াম্বা হেনগৎপা, শেন্দোং তানবৈ থবক্তা কান্নবা নুমিৎনি। অশাওবা অমদি নাপলনা মাংওইনরদি শোক-পনবা নংবা য়াই অমদি মীকোক থোংবা ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** ঈকাই নুংশি য়ানবা থৌদোক নংদনবা অমদি মরুপ-মপাংগা শাওনবা লৈতনবা য়াকা য়েংনা অমদি মীয়াম্না য়াবা থবক্তমক পাঙউ। লাংতক্নরদি খূৱৌ থাংবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

**তুলা:** নীংবা থুংগনি, ৱাখল নুংঙাইগনি, ওইজবা ফংগনি অমদি অরুবা থবক ফাওবা পাঙবা খূৎলোইগনি। শকখঙদবনা হান্নগুম চিংনহনবা খরা লৈরসু মাঙনিংঙাই লৈতে।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্নিং পেঞ্জে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** মীয়ামগী মতেংনা নরল চাউখৎপগুম নুংঙাইজবা লৈগনি, মীচং হান্নদৈ হেনগৎকনি অমদি লম্ অয়াম্বদা মাঙবা লৈরোই। অদুবু মহু চাওবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**ধনু:** নীংবা থুংবদা নত্তনা, ৱাখলসু য়াম্না থোকপা নুমিৎনি-অদুনা পাঙগে খনবা থবক্তি মতম মাঙহন্দনা পাঙবা য়াগনি। চীন য়াওরুবদগী অরং-অরাক্তা তায়নবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** থবক ইন্‌খাংগী লম্দা মায় পাক্কনি, লান্দবনা নরল চাউখৎকনি অমদি নক্লবগী মতেং ফংগনি। অফা-অপুন্নবা খরা লৈরসু লৌশিংনা পাঙ্গল ওইগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** লৌশিং ফৃদোকপা ৱাবা অমদি আশা চাওবগী কান্নফম খঙদবা নুমিৎনি। অদুবু মরুপ নুংশিবা অমদি মীয়ামগী মতেংদি লৌবা য়াগনি-শেন্দোং তানবৈ লম্দসু কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চাউখৎপা মরী লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মিন:** নথক থোংবা অমদি লাই-গুরুগী মতেংনা থবক্কী লম্দা মীকোক থোংগনি। য়েক্লবনা মীখা পোলহন্নবা হোৎনবা লেপ্পে অদুনা অনম তানগনু, হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

KINGDOM
EDUCATIONAL INSTITUTE
Fulfill your Dreams
Regd. No. 422 of 2020 ( Govt. of Manipur)
An ISO Certified
CIN: Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India)
ADMISSION OPENS
AVIATION COURSE
(CABIN CREW, GROUND STAFF)
100% Job Placement Assistance, Jobs across the Globe
✶SPOKEN ENGLISH ✶SPOKEN HINDI
(Communication Skills, Public Speaking, Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Daily Talks, Interview Techniques etc.)
♦COMPUTER (NIELIT) (1,2,3,6 mths & 1 yr)
(Tally GST, Programming, CCC, DCA)
SPECIAL SPOKEN ENGLISH CLASS only for AIR HOSTESS ASPIRANTS
Time: 10:30-11:50 am
Get trained by highly qualified & long experienced Experts under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
- 21 yrs Teaching Experience
- 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
- Multiple Schools & Colleges
- 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
- 3 mths at IT Call Centre as a Trainer
Address: Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
Contact No. : 9612224161, 7005622203, 8837407726, 6009124946
HL-B/7441/22 jan to 21 March (alt.)




LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS
> IMPHAL BRANCH:- Security/Gunman-2
> SEKMAI, MOIRANG,NAMBOL,THOUBAL,KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7466/15/2-18/4 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 380**

WIM Murashova,Ekaterina (2214) - IM Galliamova,A (2442)
71st ch-RUS HL w 2021 Cheboksary RUS, 2021.07.05

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Bc4 Nf6 | 3.d3 c6 | 4.Nf3 d5 |
| 5.Bb3 a5 | 6.a4 Bd6 | 7.exd5 cxd5 | 8.Bg5 Be6 |
| 9.Nc3 d4 | 10.Bxe6 dxc3 | 11.Bc4 cxb2 | 12.Rb1 Bb4+ |
| 13.Nd2 Nbd7 | 14.O-O O-O | 15.Ne4 h6 | 16.Nxf6+ Nxf6 |
| 17.Bxf6 Qxf6 | 18.Rxb2 Qc6 | 19.Bb5 Qc7 | 20.Rb3 Rad8 |
| 21.Qe2 b6 | 22.g3 f5 | 23.c3 Bc5 | 24.Re1 f4 |
| 25.Qxe5 Qxe5 | 26.Rxe5 fxg3 | 27.hxg3 Bxf2+ | 28.Kg2 Rd6 |
| 29.Re2 Rdf6 | 30.Rbb2 Bc5 | 31.d4 Ba3 | 32.Rb3 Bc1 |
| 33.Bc4+ Kh8 | 34.Be6 h5 | 35.Rxb6 h4 | 36.Rb1 Bh6 |
| 37.c4 hxg3 | 38.c5 Rf4 | 39.c6 Rh4 | 40.Rh1 Rxh1 |
| 41.Kxh1 Rf1+ | 42.Kg2 Rc1 | 43.Bf5 g6 | 44. ... |

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 379 Ans. :**
62. ...Kf4 63. Bxb7 Ke3 64. f8=Q Nxf8 65. Bxa6 f2# David and Goliath mate
62. ...Kf4 63. Bxb7 Ke3 64. Bxf3 Kxf3 65. a4 Ke3 66. f8=Q Nxf8 67. b5 Nd7 68. bxa6 Ne5 69. a7 Nf3#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com